# মণিপুরনা ইন্দিয়াদা তিল্লবা মতুংদা ওইরম্বা লৈঙাক -৬

- উশম ধনঞ্জয় সিংহ -

**দি টেরিটোরিএল কাউন্সিল** অসি মণিপুরগী ওইনা করম্বা কুমজা, তারিখতা শেম্বগে হায়বসি চমন্ন বা অমা লৈ। Administration report of Manipur for the year ending 31st December 1957 তদি অসুম্না ইরি : The Territorial Council of Manipur formally came into being on the 15th August 1957 and its first meeting was held on the 16th August 1957 When Oaths were administered to the members of the council by the Judicial Commissioner, Manipur and the Chief Commissioner Manipur addressed the first meeting of the council. The council of Advisors to the Chief Commissioner which was re-constituted in November 1956 ceased to exist from the date of constitution of the territorial council.

মথক্কী ৱাফম অসিদগী মণিপুরদা ফোঙবা লাইরিকশিংদা ওগষ্ট ১৫, ১৯৫৭তা টেরিটোরিয়েল কাউন্সিল লীংখৎলে; অহানবা মিটিংনা ওগষ্ট ১৬তা ফম্মী হায়না ইনরি।

অদুবু মতাংসিদা ঐখোয়না খঙগদবদি Shrimati Angnal Akim অমসুং Rajkumari Mukhara Devi বু মণিপুর টেরিটোরিএল কাউন্সিলগী মেম্বরস ওইনা নোমিনেসন তৌবগী হুকুম অসি ওগষ্ট ২৮, ১৯৫৭তা থোকই। মণিপুর গেজেটতা ফোঙবসু হায়রিবা তারিখসিদা ফোঙই।

ৱাফম অমনা ওগষ্ট ২৪, ১৯৫৭তা প্রেস নোট অমা মণিপুর লৈঙাক্না INAUGURATION OF THE TERRITORIAL COUNCIL AND ELECTION OF THE CHAIRMAN হায়দুনা থোকই। মদু মণিপুর জেগেট ওগষ্ট ২৮, ১৯৫৭তা ফোঙই। মদুদা অসুম্না ইরি : "In pursuance of sub-rule (2) of Rull 11 of the Territorial Council Rules, 1957, the Chief Commissioner (Administrator), Manipur has been pleased to fix Monday, the 2nd September, 1957 at 9 A.M. as the date and hour for the first meeting of the Territorial Council to be held at the Territorial Council Hall at Imphal for the purpose of making and Subscribing the Oath or affirmation by the Members as provided by sub-rule (1) of the said Act and to fix the 3rd Sept., 1957 at 9 A.M. as the date and hour for the meeting for the election of the Chairman of the Territorial Council, Manipur.

The programme of the first meeting on the 2nd Sept. 9 A.M. starts with the assembly to the T.C. Members in the Council Hall followed by the arrival of the Chief Commissioner at 9.10 A.M. After taking of the Oath by Members the Chief Commissioner will inaugurate the Council at 10.45 A.M. The function on the 2nd ends with "At Home" at the Chief Commissioner's House at 5 P.M.

**GOPENDRA SHARMA,**

Publicity Officer, Manipur Administration.

অসুম্না পব্লিসিটি ওফিসর, মণিপুর এদমিনিষ্ট্রেসন্না থোক্লিবা প্রেস নোট অসিগী মতুং ইন্না টি সী মেম্বরশিংনা ৱাশকপা অসি সেপ্টেম্বর ২, ১৯৫৭তনি অমদি চীফ কম্মিস্নরনা ইনোগ্যুরেট তৌবসু ৱাশকপা লোইবগা নুমিৎসিদনি।

চ্যেরমেন খনবগী মতাংসু হায়রিবা সেপ্টেম্বর ৩, ১৯৫৭ অসিদনি। খনবদি দ্বিজমনি দেব শর্ম্মবু খনখি। Kabipu Kabui না ভাইস চ্যেরমেন ওই। ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট, মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফ্যেরস, জোইন্ট সেক্রেটরি হরি শর্ম্মনা ওগষ্ট ২১, ১৯৫৭তা থোকপা ওর্দর অমনা হায়বদি টেরিটোরিএল কাউন্সিল ওফ মণিপুরগী মেম্বর অমনা থাদা লুপা ১০০ ফংগনি, দেলি এলারেন্সনা নোংমদা লুপা ১০ ওইগনি হায়।

চ্যেরমেনগী তলবনা থাদা লুপা ৫০০ ফংগনি। ফোর্স ফর্নিশ হাওস নৎত্রগা হাওস রেন্ট এলারেন্স লুপা ৭৫, কার নৎত্রগা জীপ ফ্রী ওফ চার্জ, conveyance allowance ওইনা থাদা লুপা ১৫০ ফংগনি। ত্রেভেল্লিং এলারেন্সনা ফার্ষ্ট গ্রেদ ওফিসর অমনা ফংবদু ফংগনি। দেলি এলারেন্সসু সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টকী ফার্ষ্ট গ্রেদ সার্ভেন্ট অমনা ফংবদু ফংগনি হায়।

সেপ্টেম্বর ২৭, ১৯৫৮দা নো-কনফিদেন্স থাগৎতুনা দ্বিজমনি দেব শর্ম্মবু কাউন্সিলগী চ্যেরমেন ওইবদগী তোকহনখি। ওক্টোবর ১৮, ১৯৫৮দা শিবো লারহোনা অনৌবা চ্যেরমেন ওইখি। সিনাম বিজয় সিংহনা ভাইস চ্যেরমেন ওই।

তাং ৩/৯/১৯৫৭তা শ্রী দ্বিজমনি দেব শর্ম্মবু সোসিয়েলিষ্ট পার্টিগী মীরেপ অসিবু সোসিয়েলিষ্ট কম্যুনিষ্ট অমসুং ইন্দিপেন্দেন্ট পূন্না মখোয় ১৬না শৌগৎতুনা কাখি। কোংগ্রেসনা পূন্না সিট ১৫ ফংই, সিট অমদি হাংই। ইলেক্সন মতুংদা কুমজা ১৯৫৭-৫৮গী কাউন্সিলগী বদজেট পাস তৌখি। অদুবু ইন্দিপেন্দেন্ট খরা কোংগ্রেসতা য়াওশিনখিবদগী কোংগ্রেস পূন্না ১৭ শুখি। লেমহৌরিবা অদুনা চ্যেরমেন য়াওরগা ১৫দা ওই। কুমজা ১৯৫৮-৫৯গী বদজেট, মার্চ ১৯৫৮দা পুথোকপদা পাস তৌবা ঙমখিদে। মদুনা চাউনা কাউন্সিল অসি চলাইবদা অকায়বা ওইখি। ইন্দিয়া লৈঙাক্না তাং ১/৪/১৯৫৮দা হুকুম অমা থোক্তুনা এদমিনিষ্ট্রেটর ওইরিবা চীফ কম্মিস্নরদা চহী ১৯৫৮-৫৯গী খরচ তৌনবা শেলফম কায়হনখি। ৪/৯/১৯৫৮দা থাজদবগী মোসন থাঙ্গৎলকখি। চ্যেরমেনগী ফমদগী শ্রী দ্বিজমনি দেব শর্ম্মবু লৌথোকখি। তাং ২৭/৯/১৯৫৮দা লৌথোকখিবনি। ওক্টোবর ১৮, ১৯৫৮দা শিবো লারহোবু চ্যেরমেন খনখি। মহাক্না ওগষ্ট ২, ১৯৬২ ফাওবা ওইখি। মথংদা শ্রী এম কোইরেং সিংহনা ওগষ্ট ৩, ১৯৬২দগী ওই। জুলাই ১, ১৯৬৩দগীদি মহাক্না চীফ মিনিষ্টর ওইখ্রে। টেরিটোরিয়েল কাউন্সিলগী মহুৎতা টেরিটোরিয়েল লেজিষ্টলেটিভ এসেমব্লি হায়খ্রে।

ফেব্রুৱারী ১৯, ১৯৬২দা পাঙথোকখিবা টেরিটোরিয়েল কাউন্সিলগী ২রকশুবা মীখলদা কাখিবা মীরেপশিং:-

| Sl. No. | Name of Candidate | Party | Constituency |
|---|---|---|---|
| 1. | M. Koireng Singh | Cong. | Kumbi-Thanga |
| 2. | S. Bijoy Singh | Cong. | Jiribam |
| 3. | N. Kanhai Singh | Cong. | Hiyanglam Sugnu |
| 4. | W. Mani Singh | Cong. | Thoubal Chandrakhong |
| 5. | Y. Yaima Singh (BA) | Cong. | Nambol Keinou |
| 6. | Md. Alimuddin | Cong. | Lilong |
| 7. | L. Thambou Singh | Cong. | Keishamthong |
| 8. | R.K. Irabot Singh | Cong. | Bishnupur Moirang |
| 9. | Kh. Ibetombi Singh | Cong. | Khwai Lalambung |
| 10. | L. Birachandra Singh | Cong. | Sagolmang-Pukhao |
| 11. | Kh. Chaoba Singh | Cong. | Sekmai-Lamshang |
| 12. | M. Ibotombi Singh | Cong. | Kakching-Wangjing |
| 13. | S. Angouba Singh | Cong. | Lamlai Khunou |
| 14. | A. Daiho | Cong. | Mao-West |
| 15. | Th. Toyaima Singh | Cong. | Wangoi-Mayang Imphal |
| 16. | Paoneikhai | Cong. | Churachandpur |
| 17. | Anaipa Kabui | Cong. | Tamenglong |
| 18. | H. Khersung Anal | Cong. | Tengnoupal |
| 19. | K. Envey Mashayva | Cong. | Phungyar-Pheisal |
| 20. | Goukhenpau | Cong. | Thanhau |
| 21. | L. Solomon | Cong. | Ukhrul |
| 22. | D. Athuibou | Cong. | Aimol |
| 23. | Md. Chaoba Mia | Ind. | Charangpat Khongjom |
| 24. | L. Achou Singh | Socialist | Wangkhei-Kongba |
| 25. | K. Borthakur Sharma | Socialist | Khurai |
| 26. | Th. Chandrasekhor Singh | Socialist | Singjamei |
| 27. | N. Ibomcha Singh | Independent | Sagolband-Lamjaotongba |
| 28. | AK. Kulachandra Singh | Independent | Salam-Khumbong |
| 29. | Md. Asharaf Ali | Independent | Irilbung-Yairipok |
| 30. | Ngaono Thoiso | Independent | Mao-East |
| 31. | Smt. R.K. Mukhara Devi (MA | | Nominated |
| 32. | Smt. Lhingjaneng Gangte | | Nominated |

মণিপুর এন্যুয়েল এদমিনিষ্ট্রেসন রিপোর্ট ফোর ১৯৬২-৬৩গী মতুং ইন্না কাখিবা পার্টিশিংগী মশীং

| | |
|---|---|
| ১. কোংগ্রেস | ২২ |
| ২. সোসিএলিষ্ট | ৩ |
| ৩. ইন্দিপেন্দেন্ট | ৫ |
| ৪. নোমিনেটেদ | ২ |
| | ৩২ |

জুলাই ১, ১৯৬৩দগী মণিপুরদা যুনিয়ন টেরিটোরিজ এক্ট ১৯৬৩ চৎনবা হৌই। হায়রিবা নুমিৎ অসিদা মণিপুর টেরিটোরিয়েল কাউন্সিল এক্ট ১৯৫৭ চৎনবা তোকই। নৌনা মীখল তৌবগী মহুৎতা হান্না লৈরিবা মীখলদা কাবা কাউন্সিলগী মীকোক ৩০ অমসুং অহাপ্পা পূন্না মীকোক ৩২না আইন সভা শাই। চীফ মিনিষ্টর থানা মিনিষ্টর অহুম লৈ। মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী অহানবা মীফম অসি জুলাই ২২,১৯৬৩গী পুং ১০দা তৌই। শ্রী মাইরেনবম কোইরেং সিংহনা চীফ মিনিষ্টর ওই। অথিবো ডাইহোনা ফাইনান্স অমসুং শ্রী সেরাম অঙৌ সিংহনা দিভলপমেন্ট মিনিষ্টর ওই। জুলাই ২০দা এসেমব্লিগী স্পিকর খল্লি। খোংবানতাবম ইবেতোম্বী সিংহনা স্পিকর ওই।

K.G. Singh, Secretary to the Administor না জুলাই ৫, ১৯৬৩দা থোকপা ওর্দর অমনা লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী অহানবা সেসন অসি অয়ূক পুং ১০, তাং ২২ জুলাই ১৯৬৩দা এসেমব্লি হোল, মণিপুরদা তৌগনি হায়না লেপখি। লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী স্পিকর খনবনা জুলাই ২৩, ১৯৬৩দা ওইগনি হায়।

Shri M. Koireng Singh বু চীফ মিনিষ্টর ওইনা খনখি। এস অঙৌ সিংহনা দিভলপমেন্ট মিনিষ্টর, এ দাইহোনা ফাইনান্স মিনিষ্টর ওইনা খনখি। কে ঐচ ইবেতোম্বী সিংহনা স্পিকর ওফ দি এসেমব্লি অমসুং Paoneikhai না দেপ্যুটি স্পিকর খনখি। Paoneikhai গী মহুৎ এম দি অলিমুদ্দিন্না দেপ্যুটি স্পিকর ওইখি।

এ দাইহো অসি ফাইনান্স মিনিষ্টর ওইরম্বদগী মাগী মনাও নুপা এ সিবো অসি নাগা অন্দরগ্রাউন্দনা মিনুথোং ব্রিদজ থুগাইবদা য়াওই হায়বদগী রিজাইন তৌখি।

কুমজা ১৯৬৩ অসিদা Anaipa Kabui অসি লৈখিদবগী তমেংলোং কন্সটিট্যুএন্সি অসিগী বাই ইলেক্সন তৌবদা Shri K. Kakhangi অসি কাখি।

এ দাইহোনা তোকখ্রবদা এল সোলোমোন্না ফাইনান্স মিনিষ্টর ওইখি। দেপ্যুটি মিনিষ্টরস ওইনা শ্রী এস বিজয় সিংহ অমসুং শ্রী পাওনৈখাইবু হাপখি। অসুম্না কাউন্সিল ওফ মিনিষ্টরদা মিনিষ্টর অহুম চীফ মিনিষ্টর য়াওনা অদুগা দেপ্যুটি মিনিষ্টর অনী ওইখি।

# লাইশ্রম বীরেন্দ্রকুমারগী মফমদা

- সোরোখাইবম ইমোচা -



**ময়ামগীদি 'ববা'** অদুবু ঐনদি মচাশিংনা কৌবগুম নুংশিনা কৌজখি 'তামো' হায়না। তামো লাইশ্রম বীরেন্দ্রকুমারগী মরমদা ঐনা করিসু ইনীংঙাই হায়নীংঙাই লৈজদে। মহাক কনানো হায়বা খঙদবা মী ইরমদমসিদা খরা তাঙগনি খল্লি। চহী ১৪-১৫ শুরবা অঙাংফাওবা তামোগী 'ইরিল তুরেল' খঙদবা লৈরম্লোই হায়নীংঙি। মহাক শক্লোন য়াম্বা মীশকনি। মহাক্না দ্রামাদা হেরো কুম্লম্মী হায়বসি আই এস টি ভিদা য়াম্বুং গ্যানরঞ্জন্না লৌবা ইন্টরভিয়ু য়েংহৌবদগী খঙবনি। দ্রামাদা ঈশৈ শকপা ওইনা থোকপদি হান্নদগী খঙঙি। লৈকায় অমত্তদা লৈমিন্নবনা তামোগা তোয়না উনরবসু লোইনবগী খুদোংচাবদি ঐনা য়াইস্কুল ভলুন্টিয়র ওর্গেনাইজেসন্না য়াওশঙগী স্পোর্টস মনুংদা শিনবা, ঈশৈগী থৌরমদগীনি। হৌজিক য়াওশঙগী স্পোর্টসতা ঈশৈগী থৌরম য়াওনরক্লিবসি য়াইস্কুলগীদি য়াম্না ঙল্লিঙৈদগী তৌরকখ্রে। মণিপুরগী অফাওবা শৈশকপশিং লাইশ্রম বীরেন্দ্রকুমার, নোংমাইথেম পহারী, অয়েকপম কমলা, অসেম বীমোলা, লাইশ্রম মেন্মা, চোংথাম সনাতোম্বী য়াইস্কুলগী ঙাক্তনি। অদুনা মথক্কী শৈশকপা-শৈশকপী ময়ামসিনা শকপদদি অচৌবা শৈফম অমদি অদুম ওইবা মশানা তাবনি। মখোয়শিংসিগী মথক্তা লৈকায়গী শৈশকপা শৈশকপী, অঙাং মচা, পাখং মচা কয়ানি। লৈকায়গী ময়াম মরক্তুদা ঐসু সা-রে-গ-ম খঙদনা শকপা শৈশকপা অমনি। ঐ চপ চাবা চহীদি নীংশিংদ্রে কুমজা ১৯৮৭-৮৮ অদুৱাইদগী য়াওশঙগী ঈশৈদা ঐসু শরুক য়াবা হৌরকখি। চহী অমমমগী ঈশৈ অনৌবা অমমম শকখি। ঈশৈ ময়েক্না ঐগী মরুপ ইরোম মোবী (ললিট) না ইবিরকখি । অদুগা সুরনা তামো বীরেন্না পানবিখি। সুর পানবগী মওংসু নোক্লিংখ্রবা জাৎনি। ঈশৈ ময়েক্তু তামোদা পীশিনখ্রনি অদুগা তামোনা পাল্লবা মতুংদা ঐখোয়দা লাক্লনি অদুগা তামোনা শকপদু ঐনা টেপ রেকোর্দতা লৌশিল্লগা ফানবা ঔরাইগদৌরিবনি। মণিপুরগী শক্লাইরবা শৈশকপনি হায়দুনসু মশাদা চাউথোকপা, পোংজবা করিমতা লৈখিদে। অতেনবা মতমগী মনুংদা সুর পানবিরগা ঐবু অমুক থিবিরকপনি। তামোনা সুর পানবিখিবা ঈশৈশিংদি :-

১) ঐবু লুহোংবা ফংলরোইদরা
চহীনগা সুম য়ামশিল্লকপগা
মথা শারে
ঐবু লুহোংবা ফংলরোইদরা - (১৯৮৮)

২) কমাই তৌদোইনো
ঐবু কমাই তৌদোইনো
সুক থিগ্না লাইবকসিবু
ঐঙোন্দা তম্বীরল্লিবা
কমাই তৌদোইনো - (১৯৮৯)

৩) কৌতা কৌতা
খৈনি কৌতা - (১৯৯০)

৪) শকফজবীবু লৌসিরা
তলব চবীবু লৌসিরা
ইমুংদা খরা ইংনবা
মরম মোকপীবু লৌসিরা - (১৯৯১)

৫) মতমগী লৈশাবী
লাই শাবী অফাউবী
শকপু খরা ফজরদি
হায়জরি মতিক চাউথোকপী
মসিবু নখোয়গী হৈনবীরা চৎনবীরা - (১৯৯২)

৬) ইমা ... ইমা ...
অঙাং ওইরি লৈথোক্লিঙৈ
নহা মাল্লি হরাউরিঙৈ
ঐদি নুপী থিহৌদরে - (১৯৯৩)

৭) লাই ইবুংঙো, লাই ইবুংঙো
তোল্লবগী মপূ ভক্তগীদি থৱায়
ঐতদি অহল ওইহনবীগনু প্রভু
পাখং সুম ওইজখিগে
নহা মরক তিনজখিগে
লৈকায় কোয়না চৎচখিগে
নুপী খরা কোয়জখিগে
লাই ইবুংঙো - (১৯৯৪)

নুংশিদা মতমদো অমুক হল্লক্লরোই। তামোনা পেনা চাওখৎননবা য়াম্না হোৎনবিরম্মী। সঙ্গীৎ নাটক একাদেমি মনা ফংলবা মতুংদা অতোপ্পা মীবু অমুক রিকমেন্দ তৌনবা তাঞ্জা ফংলবদা পেনাগী ওজা খাঙেম্বম মঙ্গীবু রিকমেন্দ তৌবিরম্মী। ওজা মঙ্গীনা সঙ্গীৎ নাটক একাদেমি মনা ফংবদা মাগীসু অচৌবা থৌদাং য়াওই খল্লি। পেনা শৈশকপা ময়াম পুনশিন্দুনা পেনা তম্ফম অমা লৈহন্নবা য়াম্না কন্না হোৎনবিরম্মী। পেনা অশৈবা ময়াম পুন্দুনা 'কংলৈপাক তাইবঙ পেনা মহৈকোল' কৌবা অমা শেমখি। তামোনা প্রসিদেন্ট ওইবিখি অদুগা ঐনা সেক্রেটরি ওইনা থৌ পুখি। পেনা তম্নবা য়াম্না কন্না শিনখি। ইবোয়াইমা শুমাং লীলা শংলেন্দা মতম খরা তম্লমখি। মপূং ফাবদি ঙমখিদে, ঐনা মতিক চাদবনা অমদি ফজনা চেনবা ঙমদবনা। হৌজিক্তি পেনা শৈশকপা অহল ময়ামসু থুপখ্রে - ওজা বীর, ওজা থম্বালঙৌ, ওজা লৈমপোকপম য়াইমা, ওজা নীংথেমজাউ, ওজা লৈপাকমচা - তপ্না তপ্না মাঙখ্রে। তামোনা চহী ফনা য়ামশিল্লক্লবফাউবা বস তোংদুনা ককচীং খুনৌনচিংবদা চৎতুনা মণিপুরী খুন্নুং ঈশৈগী, পেনাগী মরমদা থিবা লেপ্লমদে। এম দি য়ুদা অয়ূক অয়ূক চৎথোরকই তোয়না উনৈ। ঐনা তামোগী 'নাইট' অমত্তা পাঙথোক্কে খঞ্জখি অদুবু পাঙথোকপা ঙমহৌদরে। থেংনবা খুদিংগী ঐনা হায়জখি 'তামো সেপ্পুরি য়ৈখিসিকো' তামোনা নোকই। অদুবু য়ৈদনা অদুম চৎখরে। অয়ূক্তা হোটেলদা চা থকপা থোরকপদা ঐগা থেংনরবদি ঐনা খূৎ শম্লগা শরক হেক হেক লাল্লম্মী। ঐনা হায়জে 'তামো তুশিনগনিকো, তুবা য়াদে তুরবদি হেক্তা তেক্কনি অহল ওইরবনা, ঐখোয় ইমাসু তুশিনবদগী অদুম পুন্সি তেনশিনখিবনি'। ওক্টোবর ২০১৭তগী ঐ ৱাঙ্খৈদা নুপীগী য়ূমদা লৈখি, অনাবা য়াওবদগী অদুনা থা ৪/৫সী ঐ তামোগা থেংনখিদরে। অদুনা তামো বাথরুমদা তুশিল্লে হায়বা খঙখিদে। অদুগা উনবসু ফংহৌদে। নহান লৈতবা নুমিৎতুসু ৱাংখৈদা লৈরিঙৈদা ওজা লৌরেম্বম বেদবতিনা 'ববা বীরেন' লৈতরে হায় চুম্বরা' হংলকপদগী য়াইস্কুলদা ফোন তৌরগা হংবদা পুথোক্কদৌরে হায়বদগী খুদক্তা চৎতুনা পোৎলোইবা য়াওহৌই। তামোনা ঐঙোন্দা য়াম্না তোয়না হায়রম্বা ৱা অমা লৈ মদুদি মানা লৈত্রবা মতুংদা মাগী মথৌ মওম পাঙথোকপদা পেনাবু পুথোকহল্লু, লান্ন থৌরমদদি কবুইগী, তাঙ্খুলগী, পাঙলগী, কুকিগী, পেনাগী ঈশৈ ময়াম তৌহল্লকউ। ঐনদি হায়জৈ তামো ইচাশিংদা হায়বিরম্মু চেনবদি ঐ চেঞ্জগে, অদুগা লৈতবগী ৱাসু হায়নখিরোইসি য়াম্না ৱাৎলি। অদুবু ঙসিদি খাম্বা য়াদনা চৎখরে, মীওইবা খুদিংমক্না নোংমদি শোয়দনা চৎলগদবা মফমদা। তামোগী অপাম্বা মচাশিংনা থুংহনবিবা ওইসনু। ঐগীদি থম্মোয়দগী তারকপা নীংঙমদবা পিরাংশিংসি তামোগী মফমদা কৎচবা নত্তনা করিসু কৎচনীংঙাই লৈজদে।